ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




কোকোমিনা শীনবদগী লূপ কয়ানা শৌগৎনরক্তুনা য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা চৎখিবা 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' তা খূৎশেমগী ওই থংবা খোঙ শীজিন্নরিবা মীওই অমনা শরুক য়াখিবা


হৈরোক পার্ট ৱানদা শোল্লবা অহল অনীনা নোং য়ুবা য়ূমদা... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ স্মার্ট গাড়ী পার্কিংগী ঈখৌ

হৌজিক ওইরিবা তংদু-লৈতাদবা পূন্সি মরেল অসিদা ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ 'লান লোইদ্রিবা ফাওবা খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই'

পি এম মোদি মতম চুপ্পা না তাশিন্নরোই খনখ্রে : খর্গে ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ ইন্দিয়ানা ইংলেন্দ মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে


মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' তা য়েলহৌমীশিং ওইরিবা কবুই ফুরুপকী সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবা




Vol. 48, Issue No. 088 | থাংজ, ইঙাগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, June 29, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' চৎখ্রে

# এম এল এ-মিনিষ্টরশিংনা মতিং লৈনা মণিপুর কন্নবা থৌনা ফনা চোঙথোক্কদবনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে

## মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেসন নীংথিজনা তৌদবগী মমি তারে : এম এল এ নিসিকান্ত

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী তমথীরবা লান চহী অমগা থা অনী ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোইশিন্দুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদবগী মায়োক্তা ঙসি কোকোমিনা শীল্লগা তোঙান তোঙানবা ফূরুপ-কাঙলূপশিংগী লূপশিংনা শৌগৎনরক্তুনা মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্না শরুক য়ারদুনা 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' চৎখিবগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম্না ৱারেপ ৮ য়েৎনদনা লৌখিবগা লোয়ননা ৱারেপশিং অসিগী মনুংদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবা এম এল এ-মিনিষ্টরশিংনা মতিং লৈনা মণিপুর কন্নবা থৌনা ফনা চোঙথোক্কদবনি হায়বা ৱারেপসু লৌখ্রে।




মায়কৈ কয়াদগী লাক্লখিবা মহৈরোয়শিং অমসুং নুপা অমসুং নুপী কয়ানা খোঙচৎ অসিগী লমথাফম ওইখিবা থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা পুল্লবা মতুং অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদগী লমথুংফম তান্না ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মণিপুরগী লানগী ৱাথোক

# আর এস এসকী লুচিংবা মোহন ভগৱটনা মোদি উনখিব্রা

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** খামজিন্দুনা লেপহনবা য়াওদবদগী চহী অমা হেন্না চথরক্লিবা মণিপুরগী লান অসি অহানবা থবক ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়না আর এস এসকী লুচিংবা মোহন ভগৱটনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোরক্লবগীদমক্তা ঙরাং নুমিদাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা দেল্লীদা উনখ্রে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, আর এস এসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অসিনা মণিপুরগী ৱাথোক অসি মখা তানা শাংথহনবা পামদবদগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক মাঙজৌনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ঙরাং নুমিদাং প্রাইম মিনিষ্টরগা হকথেংননা উনদুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মোহন ভগৱটকা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা মণিপুরগী মতাংদা কূপ্না ৱারী শানরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা খুদক্তা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা অমসুং মণিপুরগী ইন চার্জ ওইরিবা বি এল সন্তোসকসু উনদুনা মণিপুরগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে হায়রি।

### দেল্লীদা মণিপুরগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং পাইশিন্নরিবনা করিগীনো

মীফম অদুদা চহী হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসি লেপহন্নবগীদমক করি করম্না থবকশিং পায়খৎকদগে হায়না খন্নখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্দুনা ষ্টেট অসিদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লবা তৌবা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা খন্নখি হায়রি।

চৈরকসিদা, হান্নদগী হৌনা বি জে পিনা লুচিংলিবা মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ খরা দেল্লীদা লৈরকখিবগী মথক্তা ঙসিসু ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর খাসিম ভাসুম, ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## লৈঙাক্কী অথিংবা কুকিশিংনা মৱা লৌদ্রে

# কে মোলনোমগী থোং লেপ্তুনা শাগৎলম্লে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** মীতৈ খুল শেরৌগা ইরাপ লাপ্নদনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কে মোলনোম কুকি খুলদা মণিপুর রিভরগী মথক্তা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা কুকিশিংনা থোং শাগৎলকপদগী অথিংবা থমখ্রবসু কুকিশিংনা মৱা লৌদ্রে। থোং অদু মখা তানা শাগৎলম্লে।

কক্চীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসলশিং য়াওনা দ্রোন থাগৎতুনা য়েংলুবদা ঙসিমকসু থোং অসি মখা তানা শাগৎলম্বা থেংনরে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা থোং অসি শাগৎলম্বদগী মমাঙ থাগী ২৬তা মরী লৈনবা এস দি ওনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

মফম অদু চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লবসু শুগুনু পুলিস ষ্টেসনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈবনি। থোং অসি শাবগী থবক লেপ্তে অমসুং মখা তানা শাগৎলে হায়বগী পাউ অমা ফংবদগী পাউচে অসিগী ঙসিগী এদিসনদা 'ৱাথোক ওইখিবা থোং লেপ্তুনা শাগৎলব্রা' হায়বা হেদলাইনগী মখাদা মীয়ামদা রিপোর্ট তৌখ্রবা মতুংদা ঙসি



## মণিপুরগী লান : কুকি টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা তাখিবা অহল মতৈ-মনাও ২গী হকচাং পাঙ্গোংনা শারগা পোৎলোইখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মখোয়গী টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা অতম্ননা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরকপা লান অসিগী মনুংদা অউ-অউবা মীতৈশিং ফারগা হাৎলবা মতুংদা অশিবা হকচাং ফাওবা ফংহনখিদবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা মশাগী চহী ৭৫ অমসুং ৭০ শুরবা অহল মতৈ-মনাও অনীগীসু ঙসি মখোয়গী হকচাংগী মহুত্তা পাঙ্গোংনা মহুৎ শিল্লগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

শরদ্ধ মচেৎ অমা ফাওবা ফংখিদ্রবা অহল মতৈ-মনাও অদুগী মমিং পুখ্রম্বম বিরচন্দ্র (৭৫) অমসুং মহাক্কী লোয়নবী পুখ্রম্বম ওংবী পীশকমচা (৭০) কৌই, নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৮-দগীনি। মফম খঙহনখিদ্রবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



# য়ু এন এল এফকী লুচিংবা ওইরম্বশিংগী নীংশিং কুমওন পাঙথোক্তুনা লৈ-শু কৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী অরিবা লালহৌলূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী লুচিংবা ওইরম্বা সামোম কৃটি অমসুং ভাইস চ্যেরমেন ওইরম্বা অয়েকপম ৱাংপা লৈখিদবগী মথংশিংনা ২৭শুবা অমসুং ৭শুবা নীংশিং থৌরমশিং ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অনীগী মফমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

লৈখিদ্রবা সামোম কৃটি মীতৈগী ২৭শুবা নীংশিং থৌরম অদু ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কাংমোং মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী মোংফমদা পাঙথোকখিবনি। সামোম কৃটি দেথ এনিভর্সরি ওবজার্ভেসন কমিটি, নম্বোল কাংমোং মৈস্নাম লৈকায়না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা লালহৌলূপ অসিগী কোইরেং অমসুং পান্থৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী লুচিংবা অমসুং লান্মীশিংনা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ-শু কৎখি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২




## দি এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৮৩গী ৱাথোক গভর্ণর য়ৌরে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** মথৌ তারকপদগী লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা অয়াবা পীরগা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্লবা মতুংদা মসিগী রিজল্ট ফাওবা হায়দোক্তুনা খনখ্রবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৮৩দা হৌজিক ফাওবদা ওফর ফোর্ম পীদবগী ৱাথোক গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেগী নাকোং য়ৌরে।

ঙরাং খল্লবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৮৩গী মীহুৎশিংনা রাজ ভবনদা গভর্ণর উনদুনা মখোয়না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং হকথেংননা পাউদমখি। গভর্ণরদা মখোয়না ফোঙদোকখিবদা মখোয়বু এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা খল্লে হায়বগী ওর্দর অদু চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা থোকখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা জোইন তৌবা য়ানবগীদমক ওফর ফোর্ম পীদবনা জোইন তৌবা য়াদ্রে। মরম অসিনা মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## সলাইগী মেনেজিং দিরেক্টরগী য়ূমদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক মচাদা লৈবা সলাই প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর ওইবা এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঈ ভুবনেশ্বরগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে। অদুম ওইনমক বোম মচেৎনা পান্দুনা সিন্টেক্স অমদি য়ূমগী শরুক খরা অকায়-অতোয় থোকখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈকায়গী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা বোম অদু কার অমদা লাকখিবা মীওই খরনা ঈ ব্রোজেন্দ্রোগা থংনবা য়ূমগী গেট লোমদা চঙশিল্লক্লগা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লবা মতুং মফম অদু থাদোক্তুনা খূৎলৈ থুনা চৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ইম্ফাল পি এসকী টিম অমা লাক্তুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## তোতোমস্নাগী পীক্লিবা মচা ২দা মায়োক্নহনখিবা থৌদোকশিং মহৈরোয় লূপ মঙানা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৫গী নুংথিলদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা থোকখিবা থৌদোক্তা হৈরোকতগী পীক্লিবা অঙাং মহৈরোয় অনীদা মণিপুর পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওই খরনা চথখিবা অকি-অখং পীবগী থৌওং অদু মহৈরোয় লূপ মঙাগী জেনরেল সেক্রেটরিশিংনা থোরকপা চেরোল অমদা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অসিগুম্বা অঙাং অসিগী অপোকপবু ফানবা হোৎনবদা স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা লাকপা মহৈরোয় অনীদা পীখিবা অকি-অখং অসিগী চপ চাবা অমা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্দ রাইটস (এম সী পি সী আর) না থিদোকপীদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীবিয়ু হায়রি।

পীক্লিবা মহৈরোয় অনীসিগী মীৎমাংমক্তদা মখোয়গী অপোকপা মপাবু নম্ফুদা ফানবা হোৎনবদা মহৈরোয় ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

## জুলাই ১দগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদা এদভোকেট অমসুং লিটিগেন্টশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা শরুক য়াবা য়ারগনি

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা মণিপুরগী মীয়ামদা কোর্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংবু সিটিজেন-সেন্ট্রিক সর্ভিস ওইহন্নবগীদমক ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিসিকেসন টেক্নোলোজিগী খূথাংদা জুদিসল সিষ্টমবু হেন্না মতমগা চুনহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না মথং থাগী ১দগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট পুম্নমক্তা হায়ব্রিদ মোদতা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা এদভোকেট অমসুং লিটিগেন্টশিংনা কোর্টতা এপিয়র তৌবা য়ারগনি হায়রি।

থবক অসি মায় পাকহন্নবগীদমক কম্প্যুটর কম্মিটিগী চ্যেরমেন জষ্টিস এ বিমোল অমসুং কম্মিটি অসিগী মেম্বর জষ্টিস এ গুনেশ্বরনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলকপনি হায়রি।

থবক অসি মায় পাক্লবগীদমক মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈননবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা ১৩,৩৬,৮৮,২৪৯ ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

## ওপোজিসননা লোক সভাদা এন ঈ ঈ টি ৱাথোক্কী মতাংদা খন্নসি হায়রকপদগী চরাংনরক্তুনা এদজোর্ন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৪দগী চথরক্লিবা ১৮শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমগী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎকী সেসনদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী হন্দক্তা থোকখিবা এন ঈ ঈ টি এগজামিনেসনগী ক্বেসন পেপর লিক ওইখিবা ৱাথোক্কী মতাংদা লোক সভানা খন্নগদবনি হায়বা ৱাফম তকশিল্লকপদগী সভাদা চরাংনরক্তুনা ঙসিগী মীফম লাক্লিবা নিংথৌকাবা ফাওবা এদজোর্ন তৌখ্রে।

ওপোজিসনগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি পুখৎলকপদা স্পিকর ওম বিরলানা ঙরাং সভা অনীমক্কী অপূনবা মীফমদা প্রসিদেন্টনা পীখিবা এদ্রেসতুগী মতাংদা হান্না খন্নগদবনি হায়বা রুল্লিং পীখি। অদুবু ওপোজিসনগী মায়কৈদগী খোঙফম হন্দোক্তবদগী তঙাইফদনা হাউসকী মীফম এদজের্ন তৌখিবনি। রাজ্য সভাদসু ৱাথোক অসিমক চপ মান্ননা থোকখি।

চরাংনবা থোরকপদগী মতম খরা এদজোর্ন তৌরুরবা মতুংদা অমুক হন্না মীফম পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদসু চরাংনবা থোকখি। লোক সভাগী ওপোজিসন লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মপাং এম পিশিংগা খূৎশম্নদুনা এন ঈ ঈ টিগী ৱাথোক অসি খন্নগদবনি হায়খি।

ৱাফম অসিদা স্পিকরগী মায়কৈদগীদি প্রসিদেন্টগী এদ্রেসপু থাগৎপা ফোঙদোকপগী মোসন ওফ থেঙ্কসন হান্না খন্নগদবনি হায়রকপদা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংদা ওপোজিসন অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অপূনবা মেসেজ অমা পীবা পাম্মী। মরম অসিনা ৱাফম অসি অরুবা ইস্যুনি হয়খি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুসু য়াওশিল্লক্তুনা প্রসিদেন্টগী এদ্রেস খন্নবনা হান্না পাঙথোক্কদবনি হায়খি। অদুম ওইনমক ওপোজিসননা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপদগী মখোয়না প্রসিদেন্টগী এদ্রেসপু খন্নবা পামদ্রবরা হায়দুনা ফাওবা হংখি।

অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তবদগী সভাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

# লৈঙাক্না লাঞ্জেন্নরিবা ঐখোয়দা লুপা লাখ ১/১ পীগনি হায়খিবদু কমদৌখ্রবগে, লিশীং ৫০/৫০ পীগনি হায়বদুসু ফংদ্রি : মেম্মা

*হকথেংনবা পাউদম*
*চূড়াচান্দপুরগী থেঙ্গ্রা লৈরক্তগী খুঞ্জা*

**(ঙরাংগী মখা...)**

কোন্থৌজম মেম্মনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, সিফাইগী কেম্প ফাওবা লাকপগী খোঙচৎ অদুসু য়াম্না ৱাখি। লম্বীদা কুকিশিংনা ঐখোয় পুরকপা গাড়ীদা নূঙনা থোমজিল্লকখি। উচিন-নাচিন্না সিফাইগী কেম্প য়ৌরবসু য়াম্না ৱানা লেনবা পূন্সি মরেল ওইখি। তূম্ফম-চাফমসু মফম মরাং খঙখিদে। থক্লবা ঈশিং ফাওবা গ্লাস অনীখক্কীদমক ক্যু লেপ্লগা য়াম্না ৱানা ফংখি। অদুবু নুপাশিংদি য়াম্না পুকচেল চাউথোকপীখি। নুপী অঙাংশিংগী চানবা হান্না শিনবীরগা মখোয়গী মরক্তা চাদ-থক্তবা কয়া য়াওখি। সিফাইগী কেম্প অদুদা অসুম্মাইনা নুমিৎ ৯নি লৈরকখি।

মফম অদুদা লৈরিঙৈদা ঐগী অমুক্কসু লাইবক থীবা অমনা ঐহাক্কী অশানবা কাদা লৈবা ময়াং অমা য়ূম মৈ থাখিবগী পাউ মপুরোইবদা টেলিফোন তৌদুনা তম্লুবদা মপুরোইবদু বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা লাক্লখি। পাউ অদু তাবদা মপুরোইবদু লেপ্লম্বদগী লোংনা তুথরকপদগী ঐহাক্না উহৌদুনা চঙশিন্দুনা ঙাকহৌবদগী শোকপমক্তি শোকখিদে। লাইবক ফবদগী লাঞ্জেল্লকখিবশিংগী মনুংদা মীতৈ ডাক্তর অমা য়াওরম্বদগী মীওই অদু ফর্ষ্ট এইদ পীবিদুনা সিফাইগী কেম্প অদুদা লায়কন্নখি। মহাক্না ৱাখল খরা তারকপদা য়ূম মৈ থাবগী পাউ টেলিফোনদা তম্লকপদগী অমুক হন্না অনীরকশুবা ওইনা বি পি ষ্ট্রোক তৌরকপদগী সিফাইগী কেম্প অদুদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অনীরক হন্না ষ্ট্রোক তৌবদগী মশাগী ফীভমদি হান্নগা মান্নদ্রে। মফম অদুদা চান-থক্লবা চাং নাইনা ফংদবদগী নুমিৎ হুমনি/মরিনি চরা হেল্লগা ঈশিং থক্তুনা লেনবসু য়াওখি। মীৎতা উখিবা থৌদোকশিংদুনা মফম অদুদা ঐহাক শিখিবনা ফৱগনি হায়দুনা ফাওবা খনখি। মায়োক্নখিবা ময়াম অদুগী ৱাখলনা ঐহাকসু ৱাখলগী লায়না লৈবদৌনা তৌরকখি অমসুং ইশা পুম্নমক চোকথখিদুনা সিফাইগী কেম্পতগী থোরক্লবা মতুং মোইরাংদা ইচানুপানা ঐখোয়বু লৌখৎপা লাক্তুনা থা অমা হেন্না ইচা ইমৌনা হোস্পিটালদা লায়েংবীখি। অদুগী মতুংদা ইচাগী মনাক্তা মতম খরা লৈরম্লগা ৱাখল ৱাবা হেনমনবদগী ময়ামগা পূন্না রিলিফ কেম্পতা লৈরগা অৱাবা ৱাখলশিং খরা কাউথোক্কদ্রা হায়দুনা রিলিফ কেম্প অসিদা লাক্তুনা লৈরকখিবনি।

মেম্মনা মণিপুর লৈঙাক্তা য়াম্না ৱারৌনা হায়, রিলিফ কেম্পতা লৈবনিনা শূফম-নোম্ফমসু লৈত্রে, খূৎতা শেল থুম অমত্তা পায়দনা চহী অমা হেন্না হিংলক্লিবসি মতৌ করম্না হিংলমগনি খনবীয়ু। ঐখোয়গীদমক লুপা লাখ ১/১ পীগনি হায়রম্বদুসু পীরমদনা তোকখ্রে। লুপা লিশীং ৫০/৫০ অমুক পীনি হায়বদুসু পীদ্রে। ইপুরোইবসু চহী ৬০ হেঞ্জিল্লক্লবনিনা থবক শূবসু ঙমদ্রে। ঐহাক্না ফি শূনবা সর্ফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়ারিবা খুরাইজম অথৌবনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৮দগী হৌরক্লগা মথং থাগী ১২ ফাওবা স্বিটজরলেন্দগী জিনেভাদা লৈবা পলাইস দেস নেসন্সদা পাঙথোরক্লিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৬শুবা সেসনদা মণিপুরগী ইপসা য়াওনা অকোম লূপ, পান্দম, ঈপাক, কংলামৈ, কিল, সী এল কে অমসুং কে এস এনচিংবা য়াওনা মৈরা পায়বী অমসুং মহৈরোয়শিং লূপশিংগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা ইপসাগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কোকোমিগী ৱাঙাঙলোই খুরাইজম অথৌবনা অনৌবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী হৌজিক চথরিবা অহানবা সেসনদা মণিপুরবু থৌওইনা মীরাইবীরে হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ফোঙদোরকপশিংগী মনুংদা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভা অনীমক্কী অপূনবা সেসনদা প্রসিদেন্টনা পীখিবা মহাক্কী স্পিচতা মণিপুরগী ৱাফম পল্লকখিদবসি থৌশাখিদবগী থৌওং উৎপনি। থৌওং অসিমক মণিপুর মীয়ামগী হ্যুমেন রাইটস মৎপগা লোয়ননা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল হ্যুমেন রাইটসশিং ভাইওলেসন তৌবা থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## নহা ১ পোক্সো কেসকী ৱায়েলদা চহী ২গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :**

ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা বিষ্ণুপুরগী ৱিমেন পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ২৪(৯) ২০১৬কী ৱায়েলদা মশাগী চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবা নহা ১ চহী ২গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখ্রে।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫